ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**
ইরাই, জন্যুৱারী ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৮৮শুবা মশীং

# ভেক্সিন থুংলখিবা

**কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা পীবা ঙম্লগদ্রা**

মালেমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়াদা জন্যুৱারী ১৬তগীদি কোভিদ-১৯গী মাস ভেক্সিনেসন হৌরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবনি। দ্রগ কন্ত্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অনী রেষ্ট্রিক্টেদ খরগা লোয়ননা ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীশ্রবা মতুংদা ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবনি। ভেক্সিন অনী অদুদি ওক্সফোর্দ-এষ্ট্রাজেনেকানা পুথোক্লবা পুনেদা লৈবা সেরম ইনষ্টিটিউট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা কোভিশিল্দ অমসুং ভারত বাইওটেক্না ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্চ (আইসিএমআর)গা খুৎশম্নদুনা ইন্দিজিনস ওইনা পুথোকপা কোভেক্সিননি। ভেক্সিন অনী অসি পুথোক্লবা কম্পা হোৎনরিঙৈ চৈরাক হৌখিবা থা অমরোম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী ট্রায়েল ওইনা ড্রাই রন পাঙথোকখি। মণিপুরদসু তাঙ্কক অনীরক থোক্লা ড্রাই রন পাঙথোকখি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২দা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ড্রাই রন পাঙথোকখি। অদুগা নুমিৎ খরনিগী মতুং জন্যুৱারী ৮দা অমুক ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং, সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, টমেংলোং, জিরিবাম, কাংপোকপী, টেংনৌপাল, কামজোং, নোনে অমসুং ফেজে'ল দিষ্ট্রিক্টকী মফম ১১দা ড্রাই রন পাঙথোকখিবনি। অদুগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপকদৌবা মফম ২৪৬সু হেল্থ দিপার্টমেন্টনা আইদেন্টিফাই তৌখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন য়েংথোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রুবা মতুংদা মণিপুরগী ওইনসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিশিল্ড দোজ ৫৪,০০০ জন্যুৱারী ১৩দা ইম্ফালদা য়ৌরকখি। ইম্ফালদা ভেক্সিন দোজ ৫৪,০০০ য়ৌরকখিবা অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তরাম্না ওকখ্রে। কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন থুংলখিবা অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৬তা অহানবগী ওইনা মফম ১০দা হেল্থকেয়র ৱার্কর ৮৪৭৬তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিশিল্ড কাপকনি। ভেক্সিন কাপকদৌরিবা মফম ১০ অদুদি জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিটিউট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জে নিমস), রিজনেল ইনষ্টিটিউট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), থৌবাল, চুরাচান্দপুর, সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেল, বিষ্ণুপুর, টমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং শিজ হোস্পিটাললনি। ভেক্সিন কাপকদৌরিবা অসিদা অচৌ অশাং, খঙনা-চান্নবা য়েংলগা কাপ্লোই। প্রাইম মিনিষ্টরনা পীরকপা য়াথংগী মতুংইন্না প্রাইওরিটি য়েংলগা হেল্থকেয়র ৱার্কর অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিং হান্না কাপকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন য়ৌরকখিবা অসিমক্তি য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনি হায়না ঐখোয়না লৌবা তাবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবগী মশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খঙহন হন্থরকখ্রে। মতম খরগী মমাঙদা নোংমদা মীওই ২০০দগী তাদনা পোজিটিব ওইরম্বা অদু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোংমদা মীওই ৫০গী মখাদা পোজিটিব ওইদুনা কেস থেংনবগী চাং হন্থরকখিবনি। পোজিটিব ওইবগী মশিং হন্থরকপদা নত্তনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী চাংসু হন্থরক্লি। হৌখিবা নুমিৎ মরিনি অসিদদি লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমফাওবা শিহনখিদ্রে। কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হন্থরকপা, শিবগী চাং হন্থরকপা অমসুং কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন থুংলখিবা অসিনা মীয়ামগী পুক্নীং ৱাখলদা নুংঙাইবা অমদি শোয়দনা ফাওরমগনি। ইম্ফালদা থুংলরবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিশিল্ড দোজ ৫৪,০০০ অসি কোল্ড চ্যেন পোইন্টশিংদা থমখ্রে। লোয়ননা ভেক্সিন অসি জন্যুৱারী ১৬তগী কাপ্পা হৌনবা থৌরাং অয়াম্বা পায়খৎপা লোইখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনদি ভেক্সিন অসি মীয়াম্না কাপ্পগী খুদোংচাবা ফংদ্রবসু অথুবা মতম খরগী মতুংদদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি হায়না পানরি। মীয়াম্না খঙনিংলিবদি ভেক্সিন অসি কাপ্পনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা মীপুম খুদিংমক্তা পীবা ঙম্লগদ্রা হায়বসিনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কোভিদকী ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপগা ইরোয়ননা লমদম অসিদগী লাইচৎ অসি মাঙখিদুনা অৱাবা খুদিং কোকখ্রসনু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

চাওরাক্লা চহী অমরোম কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংসু খম থেংনা ৱানরে। মহৈরোয়শিংসু লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরকপনা ঙাওচৎননা লৈরক্লি। অদুবু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোরকপদগী ষ্টেট অসিদসু জন্যুৱারী ১৬তগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অহানবা ফেজগী ওইনা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংদা হীদাক কাপ্পগী থবক হৌরগনি হায়রিবা অসি য়াম্না অফবা থবক অমনি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মনুং মতম চাদনা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা মীওইশিংবুসু মপু মানা ঈংনা-চিক্না লাইরমলেন্দা লৈহনবিবা ওইসনু। লোয়ননা হীদাক অসি লাকপদগী মালেম শিনবা থুংনা লাইচৎ অসিনা পীরিবা অৱা-চৈথেং পুম্নমক অদু কোকপা ঙম্বা হায়বদু ওইরসনু। লাইচৎ অসি মরু ফংনা মাঙখিদুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা হঞ্জিল্লক্তুনা নুংঙাই-য়াইফবা, ঈং-তপ্পা মালেম অমা হায়বদু ওইরকপা ওইরসনু। কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপ্পদা তঙাইফদনা হৌজিক-হৌজিক মথৌ তারিবা মীওইশিংদা হান্না কাপ্পিয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - সমানন্দা, খুরাই*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) "কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?" মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - "নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।"

৩) "লুপথখ্রবা হিনাউ" হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) "সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী' হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) "চায়নরোল" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পোপী পান্থী য়ান্থৎপদগীদি পোপি থানবা মরূ ফাবনা ফরোইদ্রা

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

থানবা পোপি পান্থীগী মরূ কদায়দা ফংই? কনানা, কদায়দা য়োনবজাৎনো? মরূ য়োনফম কৈথেলনা কদায়দা? মমলনা করম তৌরিবা? করম্বা মওংদা য়োল্লিবা? লমদম অসিদা পংফংদা-ফংবজাৎলা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লক্লগা লমদমসিদা য়োনবজাৎলা? য়ামখ্রে ৱাহংসি, হংনীংবা হেক্তা ফাওই করিনা হায়ববু পোপি পান্থী মরূ য়োনবদি অমুক্তা থেংনদবা অদুননি। মণিপুরগী কৈথেলদবু য়োনবা থেংনরবদি ৱাহং ময়ামসি করিগীবু হংলুনি চুনবা পাউখুমসু ফংলোইদবদা। মরূদি উবা ফংদে অদুবু পোপি পান্থীদি পাক শন্না থাদুনা উবা ফংনরে। মদুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরে। লৈঙাক্তসু অচৌবা শীংনবা অমা ওইদুনা ভোৎ থাদরিবা মীয়ামগী মীৱা-মৈশা য়াম্না নংলে। শম্না হায়রবদা লৈঙাক কোক য়াম্না চিক্লে। মরু ওইনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী পুন্সিদা চাউনা শীংনবা অমা ওইরে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা নহারোলশিংগী মশীং য়াম্না য়াম্লক্লে। লমদমসিগী তুংগী যূম্বীরেল ওইরক্দৌরিবা নহারোলশিংগী পুন্সি লমখাংদা পিখম্নবা কয়া য়াওরে। অমরোমদনা পোপি পান্থী থাবা, মরূ য়োনবা, পোপি মহৈবু ময়াই কাবা পোৎশক শুংদুনা য়োন্নবগী অচৌবা শিনফম অমা ওইরক্তুনা শেন্দাল লন্থী অমা ওইনরক্লে। মসিগী শেন্দাল লন্থী অসিদি মী হাৎলগা শেল ফংবগা পাঞ্জকনি হায়বদা লাল্লোই হায়নীংই। মী হাৎনবা শেল পীরগা মীহাৎপা নেকপা অদুগা করিদা খেন্নরি হায়বা য়াই। অনী অসিদা খেন্নরিবা হায়ববু মী হাৎনবা খূৎনেক নেক্লিবা অদুনা মখোয় মশেল মলোম লৈনদুনা হাৎনবা হায়বদুনি। অদুগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা মী হাৎলিবসিদি কনাসু মলোম লৈনদবা, নুংঙাইনদবা লৈতে। শম্না হায়রবদা পোপি পান্থীদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা পুথোরকপগী মওং অসিদি শেন্দাল লন্থী ওইনা খক্কীনি।

পোপি পান্থীগী মরূ ফোংনা ফংদ্রবসু হায়বদি কৈথেলদা ফোংনা ফংদ্রবসু পোপি পান্থীদি ফনা ফজনা হৌরে। লোন্নদি মরূসি ফজনা ফংলি হায়বা তাকপনি। মরূ লল্লোনবা মী লৈরে। মরূ লল্লোনবা মীওইশিং অসি হান্না থিদোকপনা ফরোইদ্রা? পোপি মরূ কদায়দা থম্মী, কনানা কনাদা য়োল্লি, কনানা লৈরি, মরূ য়াম্না ফংবা মফমসি মণিপুরগী করম্বা মফমদনো হায়বদু থিদোক্লবদি য়াম্না কান্নগনি। অসুম্না তৌরবদি ফত্তবা চিঞ্জাক থিংনবা হোৎনবগী থবক য়াম্না হন্থগনি। কোক চিকপগী চাংসু হন্থগনি হায়নীংই। মরূ ওইনা থিদুনা ফাগৎলবদি পোপি পান্থী ওইনা থাবগী খুদোংচাবা ফংবা ৱাগনি। মরূ লৈত্রবদি করম্না পান্থীবু থাবা য়াগনি। মরূ লৈত্রবদি পোপি পান্থী হৌররোই। পোপি পান্থী হৌদ্রবদি য়ান্থৎপা চৎপগী অৱাবা লৈররোই। অঙম্বা চীং কাদুনা পোপি পান্থী য়ান্থৎপগী অৱাবদুসু লৈররোই। পান্থী ওইনা হৌরবা মতুংদা য়ান্থৎপদুদি করিবু কান্নে। থবক চিন্নবা থৌওংনি। পোপি পান্থী কদায়দা হৌরিবগে হায়দুনা কোয়থি থিবগী মহুত্তা পোপি মরূ কদায়দা লৈবগে হায়না থিবনা হেন্না কান্নে। কান্নবা থবক তৌবনা হেন্না ফৈ। পোৎ অনীমক থিবগী থিবা অক্ষাগী অক্ষা ঙাক্তনি। পোপি মরূ কদায়দা লোৎতুনা থম্নে হায়না থিবা থোইনা অরুবা ওইগনি নীংদে। পোপি পান্থী ওইনা অহাঙবা চীংমায়দা পাক্তক্লনা হৌবনিনা থিবদা থোইনা লুদে হায়না লৌবসু চুমগনি নীংদে। পোপি মরূদি লায়বু লায়রি থম্বু থমখো মসিদগী হেন্না মরু ওইবা পোৎশক কয়া থি-হুম্বা তৌদুনা পুথোকখ্রে। অদুনা পোপি পান্থীগী মরূ কদায়দা কনানা করম্বা লল্লোনবগী তৌই হায়বসি থোইদোক্লা লুবা থবক নত্তে। মণিপুর কয়া য়াম্না পাক চাউবা লমনো হংনীংই। মীওই পূম্নমক্লসু লোয়না খঙন-উনরিবদু মঙাই। মণিপুরগী করম-করম্বা মফমদা পোপি পান্থী থাবগে হায়বসি খঙদুনা-উদুনা লৈরবনা মসিগী থানবা মরূ অসিসু কদায়দা লৈরমগদগে হায়বসি খঙফম অদুমক থোকপনি। পোপি থাবনা মফম অমদা অদুগা মরূ য়োনবনা পান্থী অসি থাদবা মফম অমদা য়োনবা হৌনদে। হোয়, য়োল্লম্বসু য়াদবমক্তি নত্তে হায়ববু মদুগী চাংদি য়াম্না নেম্মী। পোপি থারোইদবা মফমদা পোপি মরূ করি তৌবগী লোন্না থমদুনা লোন্না য়োনগদৌরিবা? মদু তৌবা মীদু অঙাওবা নত্তে করম্না হায়গনি। মরম অদুনা পোপি থাবা মফমদা মদুগী মরূসু মফমদুদা ফংবা মশানা তাবা ৱাফমনি।

পোপি মরূসে অতোপ্পা লমদগী হায়বদি ম্যান্মারদগীসু পুশিল্লকপা য়াওরমগনি। পোপি পান্থীগী মহৈদগী দ্রগ শুংবগী তমথীরবা থবক অসি ম্যান্মার অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা তৌরি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতগী মণিপুরদা কোবি, তিলহৌ, আলু, হঙ্গাম মরূ পুশিল্লকপদি নৎত্রে। অতৈ ষ্টেটশিংদা পোপি পান্থী থাদে, থাবদসু চানদে অদুনদি ম্যান্মারগা তায়নবা মণিপুরগী ঙমখৈ লমদমদা করম্না পুশিল্লকই হায়বসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা য়াই। উখ্রুল, চান্দেল, মোরে, চুড়াচান্দপুরনচিংবা মফমদা করম্না ম্যান্মারদগী পোৎ পুশিল্লকই অমদি মফমসিগী করম্বা মীওইনা লল্লোনবগী থবক তৌই হায়বসি খঙদোকপা য়াই। করিগুম্বা ম্যান্মারদগী মরূ পুশিল্লকপা ওইরম্লগদি মণিপুরদা পোপি মরূগী লল্লোনবা মীওই খূৎপু লৈরে হায়না লৌবা য়ারে। অদু ওইরবদি পুলিসকী ইন্টিলিজেন্সকী মতেং লৌদুনা কনা-কনানো হায়বদু থিজিন-হুমজিনবা য়ারে। পুলিসনা থিবদা খঙবা ঙমদবা করিবু লৈরি ঙসিগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিদা। অদুনা থাদ্রিঙৈদা মরু ওইনা লৈরিঙৈ অশংবা লেক-লেক লাউবা ফজরবা পান্থী ওইনা উদ্রিঙৈদা মাঙহনসি, লোইশিনহৌসি। লোনা থাবা য়াদে হায়রবদি চৈরাক ফংগনি হায়বা লৈরবসু লোন্না থাদুনা মহৈ চারগদবা অশংবা পান্থী ওইনা উরক্লবা মতমদা য়ান্থৎলবদি থারিবা মীদুসু শাউনীংবা, পেন্দবা, নুংঙাইতবা ফাওবা মশানা তাবনি। মসি তাইবঙ মীওইবগী লিচৎনি। লৈঙাক্তা অমদি পুলিসতা শাউনীংবা হেনগৎহল্লি। মদু করিগীনো হায়বা তারবদি মপাঙ্গল, মতম, শেল চঙনা থারুরগা মহৈ চারমদাইদা য়ান্থৎলুবগীনি। পান্থী ওইনা হৌবা উরবদি শেন্দোং য়াম্না ফংলনি হায়বগী ৱাখল অমা শাগৎলকই। মদুগী শেন্দোং অদুনা মশাগী থবক কয়া তৌগে হায়বগী থবক্কী পরম অমা য়াৎথোক্তুনা থম্বা হৌরকই। মতাংদুদা পান্থীদু লোইনা য়ান্থৎলুবদুদি চাউরবা মঙলান অদু কায়বনি। করিগুম্বা মরূ ফাদুনা পোপি পান্থী হৌরমদ্রবদি অদুক হাক্লা চাউবা মঙলান অমা শাগৎলল্লোই অমদি থম্মোয়সু কায়রল্লোই। অদুনদি মরূ ওইনা লৈরিঙৈদা ফাদুনা মাঙহনবনা খ্বাইদগী ফরে হায়নীংই। মরূ ফংহনদ্রবদি পোপি থাবগী ৱাখল পোল্লক্তবসু য়ারিবনি। য়াম্না লায়বা মওংদা শেন্দোং ফংলনি হায়বগী মঙলানসু মঙলক্তবা য়াই। অরানবা, ফত্তবা থবক তৌনীংবগী ৱাখলসু পোল্লক্লোই হায়নীংই।

হৌজিক তৌরিবা মওং অসিদি মরূ ফংবদগী পোপি পান্থী থাবনি। অমরোমদা পোপি থাবা মী ফারগসু থোয়দোক্লা কান্নবা ফংগনি হায়বা থাজদে। পোপি থারিবা মীওইশিং অদুদি খূৎশুমল খরা ফংনবা থবক শুবা মী ওইরম্বসু য়াই মপান্থোংদা মীয়ামদা মীৎয়েং অমা ওইনা উননবা। পোপি থাবগী থবক শুহনবা, পোপি লল্লোনবা অচৌবা মতিক ময়াই লৈবা মীওই লৈরব্রা হায়বা মায়কৈরোমদা মীৎয়েং অমা থম্বদি য়াদবরা? থল্লমগনি লৈঙাক্লা, পুলিসনা। অদুবু হংলক্লিবা ৱাফমদি চীংমায়দা চৎলগা ফজনা হৌরবা পোপি পান্থী য়ান্থৎপগী পাউখক্তমক উবা/তাবদগীনি। পোপি থারম্বা মীওই হায়বদি থবক শুরম্বা মী ফাবগী পাউ থেংনদে। ফারম্বসু য়াদবদি নত্তে, ফারমগনি। পাউ তাদ্রগা ফাদে হায়রকপসু হায়বা য়াবা নত্তে। পোপি পান্থী থাবগী ফার্ম তৌবা মপু ফারে হায়বসু তাদে। পোপি থানবা মরূ ফারে হায়বসু থেংনদে। মসিনা মরম ওইরগা পোপি পান্থীসু থাবা লেপ্তে করিনা ফাদ্রে, চৈরাক ফংদ্রে, অৱাবসু নংদ্রবনিনা। পোপি পান্থীনা হেক হৌগৎলকপা চাউবা মপূং ফাদ্রিঙৈদা য়ান্থৎপগী পাউসু থেংনদে। চীংমায়দা হৌবা উদবগীরা হায়বদি খঙদ্রে। অমরোমদা য়ান্থৎতুনা মাঙহনবগী থবকসি ৱাংনা হৌবা উরবা মতমদা য়ান্থৎকদবরা হায়বা ৱাহং অমা থোক্লকই। শম্না হায়রবদা পান্থীদুনা চাউরকপা, মদুগী মতমদুদা য়ান্থৎকদরা? পোপি থাবা শিন্মী অদুনা ময়াই কাবা মহৈ অদুসু য়োনবা ওইরম্লবদি ফাবা থোইদোক্লা লুনা থোক্কনি নীংদে। চীংমায় অদুগী অকোয়বদা ময়ূম অদুম লৈরমগনি। য়াম্না লাপ্পা মফমদা লৈবা হৌনদে। অদুবু পোপি মরূনা মমল য়াম্বা, মহৈনা দ্রগ শুংনবগী মালেমগী কৈথেলদা মমল য়াম্না ৱাংবনা দ্রগকী রো মেটরিয়েল সপ্লাই তৌবা ফার্মগী মপু শোয়দনা লৈরমগনি। অদুক য়াম্বা শেনফম অদু শিন্মীশিংনদি পুথোকপা, অরোনবগী থবক তৌবা ঙমগনি নীংদে। আলু, কোবিগী ফার্ম তৌবনা মী অমা, থাবগী থবক শুবনা অমা, য়োনবগী থবক তৌবনা মী অমা ওইরিবা অসিনি। মসিমক দ্রগ শুংনবগীদমক পোপি থাবগী থবক অসিদসু তৌরমগনি। অদুনদি পান্থী ওইনা থাদ্রিঙৈদা মরূদগী হৌনা মুথৎনবা হোৎনবা চুমগনি হায়নীংই।

ফাবা পুনবা, চৈরাক পীবগী মহুত্তা পোপি থাবা মীওইশিংদা অতোপ্পা শিনফম অমা পীরগা হিংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়নরকপসিনসু পোপি পান্থী থাবগী চাং হেনগৎলকপজাৎলা? লোনা থাবা য়াদে অমদি মীওইবা খুন্নাইদা দ্রগনা মাঙহল্লিবসি য়েংলুরগদি পোপি থাবা মীওইশিংবু শেন্থোক লৈবা থবক পীবা চুম্মী হায়বসিবু...। শম্না হায়রবদা মখোয়দা মতেং পাংফম থোকপ্রা হায়বা ৱাহং অমা লাকই। মখোয়দা শিনফম অমা পীবা হায়বা তারবদি পোপি পান্থী থাবা মীওইশিং কনা কনানো হায়বা মশক মমিং হান্না মুন্না খঙদোকপা তাবনি। লোনা য়াদে হায়বদগী মখোয়দি লোন্না পোপি থারিবনি। অদু ওইরবদি মখোয় অমুক ফোংনা থোক্লকপা তাবরা? করিনো অমা তায়োন্নবদৌনা তৌরি। পোপি য়াম্না থাবা মফমদা চৎলগা দ্রগনা মাঙ-তাকহনবগী মতাংদা মীয়ামদা তৌদনবা পাউজেল পীবা করিসু কান্নবা লৈত্রে। পাউজেল কয়া পীনা পীনা অদুমক পাক্তক্লনা পোপি পান্থী লেপ্তুনা থারি। মফমদুগী মীয়াম্নসু অদুগুম্বা মীওইদা ফত্তবা থবক্তু তৌদনবা হায়বা ঙম্বগী থৌনাসু লৈবা নত্তে। করিনা মখোয়শিং অদু মান্নবা তনবা অদুগুম্বা মীওই ঙাক্তনি। পাউজেল পীবগী মহুত্তা পোপি পান্থীগী মরূ থিদুনা ফাগৎপা, ফারবা মীওইশিং শোয়দনা চৈরাক পীবা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা অরায়বা থবকনি হায়নীংই। অদুগা থৌসু চাউদ্রে, লৈঙাক্তা, মীয়ামদসু কোক চিক্ত্রে হায়নীংই। ●

# সোসল মীদিয়াদা হিরো কুম্লোইসি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্কী মতমদা য়ুট্যুব, ফেসবুক, ইন্সটাগ্রামনচিংবা সোসল মীদিয়াশিংনা পাকথোক-চাউথোক্লকপগী চাং অসুক্কী মতিক খোঙজেল য়াঙখৎলক্লি। থৌদৌসি মতমসিগী মীয়াম্না, সোসল মীদিয়াদা থৱায় য়াওশিল্লকপগী চাং অসুক্কী মতিক হেঙ্গৎলকপননি। থৱায় য়াওশিল্লকপগী চাংনবু হেঙ্গৎলক্লবদি মশানা চাওখৎলকপা অমসুং পাকথোক-চাউথোক্লকপা হায়বসিদি মহৌশানি। মতিং হেঙ্গৎলকপফমসু থোকই। লুরিবদি, সোসল মীদিয়ানা চাওখৎলকপদা, সোসল মীদিয়াশিংগা নকশিন্না লৈরুবা মীওইশিং নিংথিনা খন্থবা হৈহৌদ্রবদি অসুক্কী মতিক মাঙজবশিং ওইরকপা য়াই। অদুগা, নিংথিনা খন্থবা হৈহৌবা কাঙবুশিংনা অসুক্কী মতিক তোংজবা (কান্নবা ফংহৌবা) শিং ওইরক্দৌরিবনি। ফীভমশিংসিদা, ঐখোয়না সোসল মীদিয়াগা লোয়নবদা শুপ্পগী কান্নগদবা হীরমশিংদুদমক খল্লগা লোয়নহৌবা চুমগনি। নৎত্রবদি মথক্তা পঞ্জখিবগুম, অসুক্কী মতিক শোয়দনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরকপা য়াই। অফবা অমসুং ফত্তবা, সোসল মীদিয়াগীসু শেনয়েকশিংগী মতৌগুম তোঙান-তোঙানবা মমায় অনী লৈরিবনি। মতমসিগী সোসল মীদিয়ানা পাকথোক-চাউথোক্লকপগী মতুংইন্না কোভর তৌরক্লিবা এসিয়াসি অঙকপা ফংনা চাউরক্লি। অনেম্বা চীংখোঙদগী হৌরগা অৱাংবা চীংদোল ফাওবগী মতৌগুম পাকথোক-চাউথোক্লক্লি। চুম্নগী অপিকপা, অনেম্বা থাক্কী মীওইশিং (গ্রাসরুট লেভেল) দগী হৌরগা ইরমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা অঙম-অথৌশিং ফাওবগী লেভেলনা হৌজিক্কী মতমদা সোসল মীদিয়াশিংদা ঙাওনরি অমসুং মসিগী ঈপাক্তা তাউনরি।

মথক্তা পঞ্জখ্রে, লমদমসিগী গ্রাসরুট (অনেম্বা থাক্কী) লেভেলদগী হৌরগা য়াইতোং-ফমদোংবশিংগী লেভেল ফাওবদা লৈবা মীওইশিংনা সোসল মীদিয়াদা নিংথিনা শরুক য়াই হায়না। ফীভমসি খঙবনা, হৌজিক্কালগী নহারোলশিংনা সোসল মীদিয়াগী থৌওংশিংসি পুমওন ওন্থোকখ্রে। ঙসিগী সোসল মীদিয়াসি অঙকপনা থল্লবা অনৌবা তাইবঙপান অমা ওইহল্লক্লি। ঐখোয়না মীদিয়াসিদা থাগৎনীংবা ঈ-পাউ, ভিদিও ক্লিপ্পিং অমদি এলবম্নচিংবা কয়ামরুমসি মীদিয়াসিদা থাগৎপদা থোইনা মতম চঙহন্দে অমসুং শেলসু তিংহন্দে। মীনা য়েংবীবা নৎত্রগা য়েংবীদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমা ওইখ্রগা, থাগৎপগীদি খুদিংমক থাগৎপদা অপনবা অমত্তা লৈহন্দে। সিননি, সোসল মীদিয়াদা নিংথৌ শাবা নৎত্রগা হিরো কুম্বা লাই হায়নরিবসি। শুপ্পগী হনুবী অমনা মশু মনপ শিৎপীবা ফাওবা হৌজিক্কালগী সোসল মীদিয়াশিংদা থাগৎনরক্লি। থাগৎলিবা পোৎশকশিং মীয়াম্না য়েংনীংলমগনি অমসুং য়েংনীংলল্লোই হায়বসি থোইদোক্লা খন্নদে। খন্নবগী চৎনবীদি ইরমদমসিগী ওইনসু লৈতবগুম তৌই। অসুম্না, মণিপুরগী অপূনবা মীয়াম্না মীৎকুপ খুদিংগী লেপ্তুনা থাগৎনরকপা ভিদিও ক্লিপ্পিং অমদি এলবম্নচিংবা পূম্নমক কনানা লোইনা য়েংলুগনি? য়েংলুনবগী মতমসু লৈরোই। য়েংবা ঙম্নরকত্রবনিনা, থাগৎলিবশিংসি কয়ামরুম অমদি শোয়দনা কাঞ্জথাঙ তারক্লিবনি। থৌদৌসিসু হৌনশানি। কাঞ্জথাং তারকপা হায়বসিমক, ফুরুপসিগী অমদি খুন্নাইসিগী মীংচৎ হেন্না থীহনবনি অমসুং ইকায়খুম্নবা মাঙহনবনি। থৌদৌসি কনামতনা ৱাখল লৈবশিংগী থৌদৌ ওইনা লৌনরোই। সোসল মীদিয়াদা থৱায় য়াওরিবনি হায়দুনসু, ফাগি তাগদৌবা ভিদিও ক্লিপ্পিংশিং অমদি ফোটোনচিংবশিংদি মওং-মরীল তাদনা সোসল মীদিয়াদা থাগৎপীবা চুল্লোই, অঙাওবা শোয়দনা তারক্কনি। হৌজিক্কালগী মোবাইলদা থৱায় য়াওজবা নহারোলশিংগী মতৌসি, তশেংনা পন্থুংফম য়ৌরোইদৌবা ঈথকশিংগী খোঙচৎকুম্বনি। ইন্টর্নেটকী থবকসি শুপ্পগী ঐখোয় শ্বাই খক্তগী তোঙান্না লৈবা নত্তে। থৌদৌসি মীৎনা কূপ্পদা তশেংনা মালেমসি শীন-থুংনা শন্দোকখিবা ঙম্লিবনি। ৱাফমসি ইরমদমসিগী ৱাখল লৈবা ইচা-ইনাওশিংসিনা খক নীংশিংলুবা তৌদে। মপাঙ্গল ফনা ফদুনসু, লমজেল ফনা য়াঙদুনসু, ইন্টর্নেটতা থাদোকখিবা ঈ-পাউশিং কৈদৌঙৈদা খক তান্নদুনা ফাজিল্লুবা ঙম্বা ওইথোক্তে। ঐখোয় হীরমসিদা ৱাখল তামিন্নবা চুমগনি।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, মালেমগী লৈমায়সিদা ঙসিদি খোঙজেল য়াঙল-য়াঙলবা ঈ-পাউগী মীদিয়াশিং মথং-মথং থোক্লক্লি। মীদিয়াশিংসিগী অশেংবা শীজিন্নফম অমদি চানবা মথৌ-মঙমশিং ঐখোয়না খঙদোকফম থোকই। খঙদোকহৌদনা শীজিন্নবনা হাল্লবদি, কাপথোকখিবদং য়াবা তান্নদুনা ফাজিল্লুবদি ঙমদবা তেনজৈশিংগী মতৌগুম শোয়দনা থোক্লক্কনি। করিগুম্বদা কাপথোক্লুরগা পালহন্নীংলক্তবা মতাং য়াওরক্লবদি ফরক শোয়দনা তাগনি। ফাজিল্লুনবগী পান্থৈসু লৈত, অৱাবা শোয়দনা নংগনি। নিংথিনা খন্থরবা মতুংদা থবক খুদিংমক পাঙথোকপা চুমগনি। নিংথিনা মওং-মরীল তানা খন্থহৌদবা পাউদমশিং কৈদৌঙৈদসু খক সোসল মীদিয়াশিংদা থাগৎলোইদবনি। মওং-মরীল তাদবা ঈ-পাউশিং অমদি ফোটো, ভিদিও ক্লিপ্পিংনচিংবশিং ঙাক্তনি, ঙসিগী সোসল মীদিয়াশিংদা ভাইরেল চৎলি ঙাঙনরিবসি। চুম্না অপলোদ তৌরুবা পোৎশক অমা মীয়াম্না য়েংনীংদুনা তোকচখিবদি কায়দে, নত্তদুনা ভাইরেল চৎলকপা থোক্লবদি কৈশুমশঙ ফাওবা য়ৌনরিবনি। ফীভমসিদা সোসল মীদিয়া লুদে, করম্না হায়রুগদৌরি? সোসল মীদিয়া অসুক্কী মতিক লুরম্মী। অরেম্বদা করিসু নত্তবা অমগীসু, সোসল মীদিয়াদা হেক্তা থাগৎপা, সোসল মীদিয়াদা তোয়না অপলোদ তৌগনবগী হৈনবীসি ঐখোয় খুদিংমক্লা থাদোক্লনবা হোৎনমিন্নবা চুমগনি। সোসল মীদিয়াদা কা-হেন্না মতম মাঙহনবগী হৈনবী থম্বসু অফবা থবক ওইদে। হৌজিক্তা টচ মোবাইল, এন্দ্রোইদ মোবাইল শীজিন্নদবা মীওইশিংগী মশীং য়াম্লম্লরোই। অদুম ওইনমক, চহী নৌরিবা নহাশিংনা অসিগুম্বা মোবাইলশিং পায় হায়দুনসু, মোবাইলশিংদুগী মতিং ঙাক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনশিংদি খক চেনফম থোক্তে। মোবাইলনা মীওইবদা অসুক্কী মতিক চাংদম্ননীংঙাইশিং লৈতনা কান্নবা পীরি। তৌইগুম্বসুং মোবাইলনা মীওইবগী পুন্সিদা মশীং থিঙমদ্রবা পুংজা কয়ামরুম অমদি শোয়দনা লেম্না মাঙহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা মোবাইলনা মাঙহল্লিবা পুংজাশিংসি সোসল মীদিয়াদনা অয়াম্বা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। অতৈ থৌদৌশিং - ফিল্মশিং, গেমশিং লৈদুনসু মথৌ চিনবা মীওইশিংদা মতম মাঙহল্লিবসিদি তশেংনা সোসল মীদিয়াননি হায়বসি চুম্লগনি। হীরমসিদগী ঐখোয় য়ারিবমখৈ নান্থোকহৌনবা চেকশিনমিন্নহৌবা ফৈ।

হৌজিক্কী মতমদা সোসল মীদিয়াদা হিরো কুম্লোইদবনি। খঙলম-খঙফাত্তনা, ময়েক শেংনা খঙদ্রিবা ঈ-পাউশিং সোসল মীদিয়াদা নংহৌররোই মতাগুম তহা-তহা থাগৎপগী থবকসিমসু অফবা খক ওইদে। থৌদৌসিসু য়ারিবা মখৈ তৌবীদনবা পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নসি। ইতোমতনা সোসল মীদিয়াদা কনাসু য়াওদনা থাগৎচরুবা ঈ-পাউশিংদুনি ভাইরেল য়াম্না চৎকল্লিসি। ভাইরেল চৎলবা মতুংদা ইথন্তা থবাক্কী মীহুল অচৌবসি দং-দং চোঙদুনা, যূমদা তূম্বা ফংদনা কোয়চেন-চেন, কোয়লোৎ লোৎ, মীগা থেংনদনবা হোৎনবদুসু অসুক্কী মতিক অৱাবগী মশকনি। অদুসু, চুম্নগী নোংম-নীনিখক্তনা লোইরোইদৌরিবনি। হেক শেংদোক্লদ্রিবা মখৈ ফাওবনি লোৎনগদৌরিসি। ইশানা ইশাগী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জরগা চৈনানা অতোপ্পনা মতৌ করম্না খাঙবীগনি? ইশাতনি ৱাজগদৌরিসি। ঐখোয় অরেম্বদা, কান্নদবদা সোসল মীদিয়াদা কা হেন্না মতম মাঙহল্লগুমসি। মীৱা তানবসু শীল্লগুমসি। ইরমদমসিগী নুংশিজরবা সোসল মীদিয়া পার্টনরশিং য়ারিবমখৈ ঐখোয় সোসল মীদিয়াদা হিরো কুম্বা অমদি নিংথৌ শাবগী থবকসি লেপমিন্নরসি। ●